ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩৩২ শুবা মশীং

# য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকপা

## *স্পোর্টসতা শীজিন্নবা মাইক্কী ভোল্যুম লৈথসি*

***মণিপুরী*** খুন্নাইনা ঙল্লিঁঙৈ মতমদা থা মরি/মঙা লৌ উরুরগা কৈদা ফৌ খরা পৈশিল্লগা নুংঙাইথোক্তুনা লেম্থোকপগী থৌওং হৌজিক্কী মতমগা চান্নরক্রে। ফুরিৎ অমা লৈবগীসু, অঙাং মমিং চনবগীসু ফৌ তাইথোল্লগা শীজিন্নবগী চৎনবীদা য়ুম্ফম ওইরগা মী অমগী ফৌবোৎ তরেৎনা চহী অমা কোন্নে হায়না লৌরম্বা মীৎয়েং অদুসু হৌজিক্তি চুমদ্রে। হৌজিক্তি মতমদি য়ূম শাবা নৎত্রগা অঙাং শেম্বদা চংবা শেলবু শেললা হায়না হংন্নরবনি। মসিগী মরুওইবা ৱাহন্থোক্তি য়ূম শাবদা নৎত্রগা অঙাং অমবু মহৈ মশীং হৈননবা, মী ওইননবা শেল্লকপদা চংলিবা মপান নাইদ্রবা শেনফম অদুবুনি। হাকসু হাকমল্লবনি, মরুওইনা মীতৈশিংগী চহী অমদা লৈরিবা হরাউ কুম্মৈশিং। জনুৱারীগী তাং ১ অনৌবা চহী লাকপনি হায়দুনা মীপুম তিংনা হরাউনৈ, চাক চান্নে। মসিগী মতুংদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি, মহরম, গান ঙাই, রিপব্লিক দে অমত্তা চিথবা য়াদে। য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি, চৈরাউবা অনি, বারুণি, কাং, কৃষ্ণ জর্ম্ম, থৌরানি জন্ম, জুলোন, হরি-উথান, মেরা হৌচোংবা, নীঙোল চাক্কৌবা, দুর্গা পুজা অসিনচিংবা অমগী মথংদা অমা লোয়বা লৈতে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লৈকায় লৈকায়দা নুমিৎ তরেৎনিদগী তরামঙানি ফাওবা লাই হরাউবগী কুম্মৈ য়ামখ্রে। মীওইবা খুন্নাই অমা লৈরবদি হরাউ কুম্মৈ লৈতবা খুন্নাই য়াওদে। ইন্দিয়াদা খূন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কীসু হরাউ কুম্মৈ লৈ। অদুবু মণিপুরনা হরাউ কুম্মৈদা য়াম্না খোইদাজবগী মওংদা মশিং য়াম্না পাঙথোকপদি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মণিপুরদা খুন্দারিবা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা য়াওশঙগী কুম্মৈ নুমিৎ মঙা চুপ্পা পাঙথোকই। কুম্মৈ অসিগী মনুং চল্লিবশিংদি হোলি ঈশৈ শকপা, য়াওশঙ মৈ থাবা, অঙাংশিংনা নাকাথেং চৎপা, শেল মুনবা, নুমিদাংগী মতমদা পাখঙ লৈশাবীশিং থাবল চোংবনচিংবনি। মতম অমদা মীয়াম্না কুম্মৈ অসি হরাউ তয়াম্না পাঙথোক্নরল্লবসু হৌজিক্তি নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোকপা হায়বসি চুল্লিব্রা হায়বা ৱাহং অমসু থোরক্লে।

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরি লৈননা চোঙলিবা থাবলশিং অসি কলচরগা য়াম্না নকশিন্নবা মরি লৈজরবসু হৌজিক্কী মওং মতৌ অসিদি ইথকনি ইরাংনি হায়বা ফাওবা য়ারক্লে। থাবল চোংবা হায়বসিদি য়াম্না ঙল্লিঁঙৈ মতমদগী মীতৈ খুন্নাইদা পাঙথোক্নরকপগী খুদম চাংদম কয়ামরুম লৈ। মালেম খুৎশেম নুংশেল্লিঁঙৈদগী ৱারীদসু লাই নুরা তরেৎ পুথোক্লগা পাখঙববু ময়াইদা থল্লগা মখুৎ শম্নদুনা চোঙখিবদুগী মতৌ তম্নবনি হায়নবসু য়াওই। চহী ৪০/৫০গী মমাঙদা চোংলম্বা থাবল অদুগা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা চোংবা থাবল অমসুং হৌজিক্কী মতমদা চোংলিবা থাবলগী মওংগসু খেন্নরে। অনৌবা মতমগী ম্যুজিক ময়াম হাপচিল্লগা মৈ ঙান্না থাল্লগা চোংবা থাবলসিনা মতম অমগী পেট্রোমেক্স অমখক থাল্লগা চোংবা থাবল অদুদগী হেন্না মশক থোকই হায়না কনাগুম্বনা লৌবা ঙমগদ্রা হায়বসিসু ৱাহং অমনি। থাবল চোংবা অমসুং য়াওশঙ কুম্মৈসি মমাঙঙৈ মতমদা পুনশিন্নরমগনি হায়বা থাজদে। ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্নরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিদি মীঙোন্দগী পুরগা চৎপা লাইনিংগী কুম্মৈনি। ঐখোয়না পুরুরিবা লাইনিং অদুবু চৎলিবা মীওই ফুরুপশিং অদুনা খুল্লিংলিবা ষ্টেট অদুদা নুমিৎ ৫নি কুম্মৈ অসি পাঙথোক্নদে। অয়ুক ঙাইহাক পাঙথোক্লগা নুমিদাংৱাইরমদা লোইশিল্লি। অদুগা ঐখোয়না নুমিৎ ৫নি চুপ্পা ইথক ঈরাংদা তাওদুনা পূন্সিগী তৌফম থোকপা থবক কয়ামরুম কাউথোক্লগা লৈরি। চাওখৎলবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা থোং মান্ননা চৎমিন্নগে হায়রবদি ঙসিদগী চহী চম্মা হেন্না চঙগদবদু ফংনবগীদমক শূবা নোম্বা, মথৌদা পূক্লিং চংবা, লাইরিক লাইশু পাবা অমদি ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা তুম্বা চাবা থিদনা হোৎনবা মতম থেংমল্লবনি। ইশাগী পোত্থোক্লা চাবা কোন্নদবদগী মীপাল তাংদুনা লৈরিবা খুন্নাই অসিনা হরাউ কুম্মৈদা মতম মাঙহনবা হায়বসি চুমদ্রে। মদুগী মহুৎতা অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা হরাও কুম্মৈগী ছুটি থারিঙৈদা ঐখোয়দি থবক শূহৌসি হায়বা মতম য়ৌরে। অদুবু য়াওশঙগী ইরাং হন্থহন্নবা অমদি কুম্মৈ মনুংদা থোক্কদবা পামদবা থৌদোকশিং হন্থহননবা অখন্নবা থৌশিল অমা ওইনা হৌজিক্তি শান্ন-খোৎনবরোমদা মাই ওনশিল্লপসিমক্তি অফবনি হায়বা য়াই। য়াওশঙগী কুম্মৈ মনুংদা য়াওশঙ স্পোর্টস হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা শান্ন-খোৎনবরোমদা চঙশিল্লক্লিবা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌই। অদুমকপু শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিল্লিবনি হায়দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী ইগজাম ময়াসিদা অহৌবা মাইক পান্দুনা শান্ন-খোৎনবগী লাউ খোংবগী মতৌ অদুদি থাদোক্লসি। মাইক্কী ভোল্যুম লৈথরগা অঙাংশিংদা লাইরিক লাইশু পানবগী খুদোংচাব পীহন্নিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# মণিপুরদসু অঙৈং অশাগী খল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**গ্লোবেলাইজেসন্দা** ইনভাইরোনমেন্টকী অওনবা কয়া লাকপনা মালেমগী মফম কয়াদা মহৌশাগী মালেমদা লৈরম্বা ঋতুশিং অদুগী ওন্নবা মওংগী মতৌ অমনা মালেমদা ইনভাইরোনমেন্টকী অকনবা চৈফুনা ঋতুশিংগী মশক্তা অকায়বা কয়া পীরক্লি। মদুতা নত্তনা মফম মতম খঙদনা নেসনল কলামিটি কয়া থোরক্লি। খুদম ওইনা মমাঙগী চহী ২০১৬ কী মতমদা মণিপুরদা ৩.৭ সেলসিয়স দিগ্রি ফাওবা য়ৌনা অমসুং ৩.১ ফাওবা য়ৌরক্তুনা জান্যুৱারী থা অদু ফনা ফজনা ইংখি। মতম অদুদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা ইংবগী চাং অসি খ্বাইদগী হেন্না ইংলে হায়না লাউথোকখি। ফীভম অসিনা মণিপুরগী ইংবগী মতাংদা নুংনাংনবা য়াওখি। অদুবু জান্যুৱারীগী অনীশুবা চয়োলদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা নৌহৌননা নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা মেঘালয়ানা খ্বাইদগী ইংবা ষ্টেট ওইরে হায়না অমুক লাউথোরকখি। ইংবগী চাং অসি মণিপুরদা অকা অকুম নাইরি। ঙল্লিবদি মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থা অসি অদুক হাক্লা ইংখিদে। দিসেম্বর লোইরমদাইদা য়াল্লবদা ৫.৪ সেলসিয়স দ্রিগ্রি য়ৌদুনা নিংথম থাগী খ্বাইদগী ইংবা নুমিৎনি হায়না রেদিওদা লাউখি। মদুগী মতুংদগীদি ইংবসি খরা ফগৎলকপগুম্না তৌখি। অদুবু ঙল্লিবদি ত্রিপুরাদা নুংথিল পুং ৩.৩০ অদুৱাইদা য়ুহা হাখি। মতুংদা মণিপুরদা খঙহৌদনা নোংজাও তারকপগা লোয়ননা লেন কন্না তারকখি। নুমিৎ অদু জান্যুৱারী ৩, ২০১৭ তনি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদি ইংখি অদুদগী নুংথিলনা শারগা অয়ূক অমদি নুমিদাংদা ইংবগী চাং ৱাংখৎলকখি। অসুম্না ইংবগী চাংদি তপ্না তপ্না হেনগৎলকপগুম্না তৌরকখি।

ঙল্লিবদি অৱাং নোংপোক ভারত্তা অদুক্কী মতিক চাং ৱাংনা ইংদুনা দিল্লিদা ফাওবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা ৱিন্টর ভেকেসন থাখি। হন্দক্তসু পার্সিআন সীদরা করিনো অমা সুনামি লাকপা তাখি। কাশ্মীরগী লেক অমসু উন্না ফমজিন্দুনা লৈখি। অসুম্না ওন্থোকপা মওংদা ইনভাইরোনমেন্টকী চেঞ্জনা ইংগদবা মতমদসু পংইং ইংদনা খরা থেংথরল্লগা হেন্না ইংশিল্লকপা, নোং চুগদবা মতমদা লেন তারকপা হায়বসি মহৌশাগী খূৎশেমদা অওনবা কয়া লাকপনি হায়না লৌনরি। অমুকসু মহৌশা হিমাচল প্রদেশতা উন্না ঈশিং ওইনা চেন্থরক্তুনা পাৎ তুরেল খূৎশেমগী মতৌগুম ওইখি। অসুম্না ইনভাইরোনমেন্টকী অকিবা ফংলবা চৈথেংনা মালেমগী মফম কয়াদা নেচরেল কলামিটি কয়া থেংনরক্লোই হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। মসিগীদমক্তা মালেমগী মফম কয়াদা অমদি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা গ্রীন রিভল্যুসন পুরক্লবা কন্না হোৎনরি। মণিপুরদসু গ্রীন রেভল্যুসন অমা পুথোরক্লবা কন্না হোৎনবগী মহুৎতা উমং ৱামং য়ানথৎতুনা, উমং ৱামং মৈ থাদুনা অমদি অতৈ অতৈ কয়া তৌদুনা ইনভাইরোনমেন্ট মাঙহন্নবা তৌখ্রবসু মদুবু অমুক কন্ননবা তুংগী মীরোলগীদমক খন দুনা মীপুম খুদিংমক্লা ৱাখল তান্নবা মথৌ তারে।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

# চীংগী মীখলদা চাউনা ঈরাং থোক্কনি খন্নরম্লগা থোকখিদবা

*অওনবা মালেম*

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

***হন্দক্কী*** এসেমব্লিগী অনীশুবা ফেজগী মীখল লোইশিনখ্রে অদুবু য়াম্না চাউবা ঈরাং থোকপগী থৌদোক্তি লৈখিদ্রে। মীয়াম্নদি অচৌবা ঈরাং থোক্কনি হায়না খন্নখি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল হায়বসিদা চীংগী লম্না অয়াম্বা শরুক ওইরিবনি। অমরোমদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা নেসনল হায়ৱে অনীদা মতম কত্তুনা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থবসিনা মরম ওইরগা মীখল অসিদা অচৌবা ঈরাং থোক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লখি। থাজদনা থোকখিদ্রে অচৌবা ঈরাং। অদুবু মীখল অমা তৌবগী হৌনবী ঈরাংবুদি অদুমক থোকখি।

মাংলমচৎতা চীংগী লমদা মীখল তৌবসি য়াদ্রে হায়দুনা অথিংবা পীবা লূপ/মীওইশিং লৈখি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদদি অথিংবা অদু লৈখিদে। মীখল য়ারমদবশিং মীখলদা মায় ওনশিন্দুনা মীখল য়াওশিনখ্রে। মসিনসু হন্দক্কী মীখল অসিদা অচৌবা ঈরাং থোক্লক্তবগী অচৌবা মরম অমনি হায়বা য়াই। মসিসু অওনবা অমনি। ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবশিংনা মীখলগী থবক থৌরমগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীফমদি থোক্তে মরমদি মীখলগী মথৌ তৌবা চৎপশিংনা চান-থক্লবা পোৎ-চৈশিং পুদুনা চৎপা নত্তে। ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবশিংনা থিংলিবসিদি গাড়ী অচৌবদা পুবা মীওইবনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিং পুদুনা চৎপশিংবুনি। অদুনা মীখলগী চৎথোক চৎশিন তৌবদা থিংফমদি থোক্তে। অদুবু মীয়াম্নদি চিংনবা ফাউই। মখোয়দা মসিনা তৌবা য়াই নৎত্রগা মসিনা তৌবা য়াদবা থবক্লি হায়বদু লৈতে। অনিং-অনিংবা হেক্তা তৌবগী হৈনবী মীয়াম্না উবা ফংখ্রে। অমরোমদা চীংগী লমদা লৈবা লালহৌলূপশিংনসু চাউনা য়ৈখায় থিনগায়বা পীবগী চাংসু হন্দক্তি য়াম্না হন্থখ্রে। হৌখিবা মীখলদদি মখোয়না ঈরাং য়াম্না তৌখি। মদুনা মরম ওইরগা মীখলগী থবক্তা অৱাবা কয়া থেংনখি। হন্দকসু মদুমক তৌরক্কদ্রা হায়না চিংনবদগী মীখলগী মথৌ তৌগদবা মীওইশিং মথৌ তৌবা লাক্তবদগী থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। অদুগা অমরোমদনা মীখলগী ঈরাং ইথোক থোকখিদ্রে। মীওইবগী পুন্সি মাঙগনি হায়না কিনবদগী থবক সস্পেন্দ তৌবনা হেন্না ফরে খন্দুনা মথৌ তৌবা চৎখিদবনি। মসি পূম্নমকসি তায়োন্নবা থবক তৌবা মীওইশিং অদুনা থোকহনবনি। মসি মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা মতিক চাদ্রবা মীওই ঙাক্তনি। মীওইবনা চাগদবা চিঞ্জাক পুবা থিংবা হায়বসিবু করি পুকচেলনো? মদুসু লেপ্তুনা নুমিৎ ১২৯ চত্থরকপা হায়বসি খন্থরুবদা অসুক্কী মতিক তমথিবা ৱাখল অমনা পুরবা মীওই ঙাক্তনি।

ঈরাং তৌবগী কান্নবসু লৈরোই থোইদোক্লা হন্দক্কী মীখল অসিদা। ভোট থাদবগী মওং অসিদা অহোঙবা কয়া পুরক্লে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না টেক্নোলোজিগী মতেংনা অহোঙবা কয়া লাক্লে। মরম অদুনা ঈরাং তৌরগা কান্নগদবা লৈত্রে। মহুৎ শিন্দুনা ভোট থাদবা প্রোক্সিগী থবকসু য়াদ্রে মীওইদুগী ফোটো য়াওবা ভোটর স্লিপ পীরবনিনা। চীংগী লমদা মীখলগী মতমদা মীওই অমখক লাক্লগা ভোটর পূম্নমক্কী ভোট থাদরম্বা অদু ঙসিদি মদুগী মতম লোমখ্রে। চীংমী পূম্নমকসু মশা মশাগী ভোট থাদবা পাম্মী। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী ঈ-পাউ অসুক্কী মতিক কনখৎলকপনা মরম ওইদুনা মীওই পূম্নমক ভোট থাদনীংবা ফাওরকই। ঙসিদি চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদসু য়ৌরবনা তৌরিবসি করিনো হায়বসি মনুং হুৎনা খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা মীওই অমনা পোলিং ষ্টেসনদা চৎলগা ভোট লোয়না থাদবা হায়বসি য়ানিংদে। মীওইবগী অপাম্বসু খেন্নবনিনা মশাগী হক অতোপ্পা মীওইনা লৌখিবদু পাম্নদে। মসিগুম্বা তাঞ্জা অসিসু থা খুদিংগী/চহী খুদিংগী তৌবা নত্তবনা মশা-মশানা তৌনীংবা ফাউই ফনা য়াম্না খূৎলায় পায়বা মীওইনা অথিংবা পীরবসু। ঙসিদি চীংগী লমদসু অহোঙবা কয়া লাক্লে লম্বী-থোংগী ওইরবসু, মহৈ-মশীনগী লমদবু ওইরবসু। মরম অদুনা অচুম-অরান পূম্নমক উবা ফংনরক্লি।

মীখলগী মতমদা চীংদা ঈরাং থোকহল্লগা কনাগুম্বা পার্টি অমদা নমদুনা ভোট থাদনবা হোৎনবসু য়াওখি হৌখিবা মীখল কয়াদা। হন্দক্কী মীখল অসিদা মদু তৌরুবদা কান্নবা লৈগদ্রা? লৈগনি হায়বা থাজবা ঙমদে। য়ু এন সীনা শাংনা তৌরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি চীংমী পূম্নমক্না য়ানিংদবা ফাওনরক্লে করিনা হায়ববু চীংগী লমদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈ কয়া ফংদ্রে, ফংলবসু মমল য়াম্না তাংনা ফংলি। ব্লোকেদ তৌদবা মতমদসু চীংগী লমদা পোৎ-চৈগী অৱাৎপা লৈ অদুসু মমলসু হেল্লিবনি। দিষ্ট্রিক্ট শেন্বগী মায়োক্তবু অসুক চাউবা অৱাবা পীবা ব্লোকেদ তৌবসি চীংমীশিংনা পাম্নদে। মনুং হঞ্জিনবা চীংগী লমদা লৈবা অনাবা চীংমীশিং, চাবোক্কদবা নুপীশিং, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমদি মমাশিংনা চাগদবা পোৎ-চৈ, হীদাক-লাংথকশিং, অতৈ পোৎ কয়া পুশিল্লকপা থিংবা হায়বসি কনানসু য়ানিংদে। দিষ্ট্রিক্ট শেন্নুবদা মখোয়না তৌথোরক্লিবা থবক অসিদি মীওইবসি তপ্না তপ্না হাৎপগী মওং অমনি। মসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা মীখলদা ঈরাং তৌদুনা অথিংবা পীরক্লবদি পেন্দদুনা লৈরবা মীয়ামগী অশাউবা অমদি পেন্দবা পূম্নমক হৈথরকপা মশানা তাবনি। মদু ওইরবদি মখোয়গী খোঙজং মায় পাক্লোই। মদুনা মখোয় হন্দক্কী মীখল অসিদা তুমিন্না লৈবনা চুমগনি হায়না ফিরেপ অদু লৌবা ওইরমগনি। অমরোমদা লালহৌলূপশিংনা মখোয়গা চৎমিন্নবা মীরেপশিংগী মীচং চঙদুনা ভোট কানবা হোৎনবদুসু হন্দক্তি মায় পাক্কদবা মান্দে হায়দুনা তুমিন্না লৈবা ওইরম্বসু য়াই। হৌখিবা মীখলদদি মখোয়গা য়ানজবা মীরেপ থাদোক্তুনা মখোয়গী মতেং চাউনা পাঙবা থেংনখি। মদুগুম্না হন্দক্তি মখোয়না মীয়াম্বু কিহন-খংহন্দুনা মথি ফোংবদি ঙমদ্রে। মীয়াম্না উবসি মীরেপ অদু মখোয়গা য়ানজবা লূপ অদুগা অমত্তা ওইনা পূন্না হেক্তা উই। তোঙান তোঙান্না উবা ঙমদে।

মীওইবনা শেৎপা-চাবগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ ফংলক্তবদি কনাবুসু কিবা লৈরক্লোই করিনা হায়ববু চরা হেন্দুনা শিবসু শিবা অদুগা চরা হেলহল্লিবা মীবু লোয়শিল্লন্লগা শিবসু শিবা হায়দুনা লমন খুন্নিংবগী ৱাখল পোক্লক্কনি। মতাং অসিদা ব্লোকেদ তৌবশিং, লালহৌলূপ অমদি মীখল থেংনরিবা মীয়াম্না মশক খঙনদ্রিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদুগা পুল্লগা মীখলদা য়ৈখায় থিনগায়বা তৌরুরবদি মীয়ামগী অশাউবা হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। মসিনা মরম ওইরগা মীখলদা ঈরাং তৌবগী চাং হন্থরকপনি। মীয়ামগা মখোয় অহুম অসিগা লাপথোক্লবগী চাং য়াম্না হেনগৎখিগনি। মীয়াম য়াওদ্রবদি কান্নবা লৈবসু নত্তে। হৌজিকসু মখোয়গী থৌওংদা য়ানিংদবা চীংমী মীওই কয়া লৈরিবনি। য়ানিংদবা মীওইনা মশীং য়াম্না হেল্লিবনি। ফোংনা থোক্লকপা ঙমদবগী ৱাখক্তনি। মখোয়বু য়ানিংবা অমদি য়ানিংদবগী মতাংদা চীংমী মীয়ামদা সিক্রেট বেলোট তৌদুনা ভোট থাদহন্দুনা য়েংলবদি মখোয় অহুম অসি ভোট লেপ্পগী তৌখিবা দিপোজিৎকী শেনফম অদু মাঙগনি। অমরোমদা হন্দক্কী মীখল অসিদা চীংগী লমদা নেসনল পার্টি কয়াগী নেসনল লিদরশিং লাক্তুনা মাগী মাগী মীরেপশিংগী ভোট খোন্বগী চাং য়াম্না ৱাংবসিনসু মীখলগী থবক অয়ৌবী থাক য়ৌখি মসিনা মরম ওইরগা চীংগী পোলিটিকেল পার্টি অমখক্লা মনীং-মখা তৌনা মীখলদা নম্ফু-হাফু তৌবা ঙমখিদ্রে। মীয়াম্নসু মশাগী অপাম্বা পার্টি অমদি মীরেপ খঞ্জবা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংবা ঙমখ্রে। করিগুম্বা পার্টি কয়াগী মীটিং চীংগী লমদা পাঙথোকখিদবা তারগদি চীংগী লমদা লৈবা পার্টিশিংনা মনীং-মখা তৌবা ঙমখিবসু য়াই মাংলমচৎকী মীখলদা তৌখিবা অদুগুম্না। শম্না হায়রবদা হন্দক্তি চীংগী লমদা মীয়াম্না মশাগী অপাম্বা খঞ্জনবা মীখলগী ভোট খোম্বা অমদি অতৈ থবক কয়া নিংথিনা তৌবা উখ্রে। মসিমক দেমোক্রেসিগী ওইনদি তৌফম থোকপা থবক অমনি।

ঈরাং তৌবদা কান্নবা ফংলোইদবা মরম অমা হায়রগদি সেক্যুরিটিগী থবক য়াম্না কনখৎখি হন্দক্কী মীখল অসিদা। মসি ইকনমিক ব্লোকেদ তৌদুনা লৈরিঙৈ মরক অসিদা মীখলদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী মীৎয়েংদনি। আসাম রাইফল অমদি আর্মিগী মতেং য়াওনা য়েংশিল্লিবা মীখল অসিদা ঈরাং তৌরুবদা কান্নবা ফংলোই হায়বা মখোয় মশানা খঙজরমগনি। অমরোমদা সেন্তরনসু ৱারৌবা লৈরমগনি অসুক শাংনা মীয়াম্বু ৱাহনবা ব্লোকেদ তৌবগী ব্লোকেদ তৌবশিং অমদি মখোয়গা লোয়ননা চৎমিন্নরিবশিংদা। মদুগী ৱারৌবদুনা অকনবা থবক লৌখৎলকপা য়াই করিগুম্বা মীখলদুদা পামদবা থৌদোক থোকহল্লুরবদি। কান্নবা ফংলোইদবদুননি হন্দক্কী চীংগী মীখল অসিদা মীয়াম্না চাউনা ঈরাং থোক্কনি হায়না খন্নরম্বা ঈরাং থোকখিদবদু। ৱাফম অমদি খন্নবা য়াই মদুদি চীংগী লমদা মীওই খরনা, পার্টি খরনা মখোয় মখোয়গী অনিংবা অপাম্বতা তৌবা য়াবগী মতম অদুদি হৌখ্রে, লোইখ্রে হায়না।

# হয়েংনি অকা-কাদা মীশক খঙনগদৌরিসি

*মতম মতমগী ৱাফম*

## সেঞ্জম দেবেন

***"হয়েংনিকো*** থানখিবা নুমিৎ, ৱানা লেন্দৌরেদা অহিংসে ... লোইবা নাইবা ঙসিসে, খোঙফম লেঙখিদরে ঙসিদি..." - হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী মহয় শোয়বী-ঙাম্বীদ্রবদি হয়েংদি শোয়দনা মীয়াম পূম্নমক খঙনরগনি খল্লি। মীখলসিদা মায় শোয়দনা পাক্লক্কনি খনবা মীরেপশিংনদি ঙসিসি, মথক্কী ঈশৈ মতেকসি শোয়দনা ঙংনরমগদৌবা মাল্লি। অদুগা, মীখলগী পাউ লাউথোকপদা মায় পাকহৌদ্রবা মীরেপশিংগী মফমদদি হয়েংসি, শোয়দনা থাবলদা উরুম থিবা মী য়াওনরনি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা, থম্মোয়গী লায়নাশিং ফাথনবগীদমক জোলাম/অলজোলামনচিংবা ফার্মাসিগী হীদাক মরুশিং মথৌ তানবা মীওইশিং ফনা য়াম্না য়াওনরক্কনি। সিদা থোকচগে হায়দুনসু, মতমসিগী কেন্দিদেটশিংসিনা মণিপুরগী ভোটরশিংগী ফীভমসিদা ৱাজগে নরান খুরুম্বগুম ভোটতা পংলেপ্তা লেপ্পিংলিবনি। ভোট লেপ্পা নিশানি, শেল্লৌ-শেন্থানি হায়বসি কেন্দিদেটশিংসিনা হেক হেক কাউবা মাল্লি। থৌদৌসি ঙসিগী ইরমদমসিগী কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সন লেপত্রিঙৈদা খক খন্থনদে। ভোট মশীং থীদ্রিমখৈদি ফৈ, থোয়নবু খন্নরমদে। ভোট মশীং হেক থীনরকপদগীদি ভোট তাইগা তাদেগা, লৈরম্মীগা লৈরমদেগগী কোক শানরনি। মসিদা নত্তে, থাদখিবা শেলশিং, য়ৌরম্মীগা য়ৌরমদেগা, য়েলম্মীগা য়েল্লমদেগা, লাউনরক্কদৌবা ময়ামসি ওপারদনি। হৌজিক মথং-মথং তানরকপা হৌরক্লবনি।

ভোট হায়দোক্লকপা নুমিৎতা, অকাবশিংনা পেন্না-পেন্না নোকপা, লাঙবা-খেবা, হরাউ-মথোয় কাবা হৌনশানি। কাহৌদবা কাঙবুশিংনা কপ্পা, মহৈ-মহৈ কোক শানবা, অমগা-অমগা লাউনবগী থৌদৌশিং ঙাক্তনি থোক্লগদৌরিসি। মমৈদা পাম্বৈ লৈতবদগী কাহৌদবা কাঙবুশিংনা কপ্পীংবা ফাওরক্কনি। কপ্পা-কপ্পা কপ্পীংবগী শৈরেং থীনরক্কনি,... "কপ্পু ইমা কংলৈপুঙ, কপসি পেন্না ঙসিদি..."। অদুবু লুরিবদি, মতমসিগী কেন্দিদেটশিং অয়াম্বসিবু কংলৈপুঙ ইমানা য়ানীংবা অমসুং নুংশিবা ফাওবা কন্দিদেটশিং য়াওরমগদরা? ৱাহংসিসু হংনরকপা য়াওরক্কনি। অদুম ওইনমক, অনী কোন্নবদা অমা তুবা হায়বসিদি, থায়না অহল-লমনশিং হাকথক্তগী হৌনা চৎনরল্লবা থৌদৌনি, ময়েক্কীসু অতাবীনি। ইলেক্সন লেপত্রিঙৈদা খলহৌগদবা ৱাফম্বু হৌজিক্তা করি কান্নরুগনি। লৈপাকসিগী মীয়ামগী ঈথিল, মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা ৱাখল-ইহুল শাগৎহৌগদবদু, হৌজিক্তি মতম লোইখ্রে। পোলোয়দা কনাদসু করিমত্তা হায়রুবা খক কান্নরোই। ইলেক্সননিবু হায়রবদি মীশিংসি মহৈ-মহৈ পংলেপ্তা লেপ্পীংবা মাল্লি। মীনা ইনাক খুনবা উরগা, অউবা খুদিংমক্তু ইনাক লোয়না খুনগদবোই হেক্তা খনবা চুমগদরা? পরম চুম্বা, ফিরাল মমায় চুম্বা খরনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইরগা, মীপুম খুদিংমক লোয়না এম এল এ/মিনিষ্টরশিং হেক্তা ওইবা য়ানগদ্রা, ভোট লেপ্পবগীদমক কেন্দিদেট ওইনা পংচোঙ-চোঙথোক্লবসি লানগনি। কান্নদবদা, অরেম্বদা বি পি পেসেন্ট ওলহৌদুনা তোক্কনি হায়বসি, মতমসিগী লৈঙাক পায়নীংবা এম এল এ কেন্দিদেটশিংসিনা মাঙজৌননা খক খন্নদে। খলহৌবগী মথৌ তাই।

মমাঙথক্তা খলহৌদবা, মায়থীরবা তুংদা খক্তা, মমাঙ-মমাঙদা ৱাখলনা শাদুনা চোঙথোক্লকপা, অচৌ-অচৌবা, অৱাং-অৱাংবা য়ূমথোলশিং মথং-মথং নীংখায়রকপগী থৌদৌশিং মমীৎতা শং-শং উরকপা হৌনশানি। ফিরাল মমায় চুল্লিঙৈ মরুপ ৱাত্তে মীরমলেন্দা, ভোট লেপকনি লাঙলুঙৈ, চাথোক-খোত্তোক্কেদা খনবা ভোট্টরশিংগী মশীং খক ৱাৎলোই লমদমসিদা। ইলেক্সনগী ফম্পাকথক্তা শেলগী মেলা তৌবদবু খুন্নীংলোইদবা, লৌনীংলোইদবা কনা য়াওরমখিগদগে? ঙানু-খুনুশিংবু কৌশিল্লগা চেং-হৱাইশিং লংথোক্তুনা পীজ-পীথক তৌবদুগা চপ মান্নে। থোয়না লুনা লৌশিল্লুনীংঙাই ওইদে। ঙসিসু থৌদৌসি চপ-চানা অদুমক চত্থরিবনি। অৱৈবশিংগী মরল লৈতবা কাঙবুশিংনা চানদনা, কনানবুদি চানরুগনি? ইপা-ইপুশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী তাকপীরম্মী, "অরানবা পাম্বৈনা তাল্লকপা শেলফমশিংদি, অশোয়বা মেনখৎপা, কুপখৎনবা হোৎনবদা লেমহৌদনা চঙখিনি"। অচুম্বনি লেমহৌদনসু অদুমক চঙনরি। ইলেক্সন লেপ্পমদাই মতমদা, "ঐ মঙাইরে শেল পায়বা, পূক্লিংসিদা অকিবা কনাসু ফাওরকত্রে, ঐনা য়াই থাবদা ঙাওরোইদবা ভোটর কনাবু ঐগী কনষ্টিট্যুএন্সিদা য়াওরমখিগদগে" হায়দুনা, ৱাখলসিনা মাঙজিন থাদুনা কেন্দিদেটশিংসি ময়াই কানা চোঙথোক্লুরকখিবা ঙাক্তনি। ফংজসনু কায়দে ঙসি, কাদবগী চৈনাশিংসি মথম্মোয়দা। লমদমসিগী মতিক-মপা চাদনা অচৌ-অশাংগী ফম পাম্লুবা কেন্দিদেটশিংসিনা অসিগুম্বা চৈনাশিংসি ফংদনা কনানবু ফংগদগে? পূম্নমকসি মানা-মানা তৌজরুবশিংগী মহয় ঙাক্তনি। লমদমসিগী ভোটরশিং ঐখোয়দি শুপ্নগী কুম্মৈ য়েংবা অয়েংলোইশিং ওইরুবা খক্তনি। হৌজিকসু ঐখোয়দি কুম্মৈ য়েংবদগী হেন্না খক মখোয়গুম, মখোয়গী মরক তিঞ্জরুবা অমদি মখোয়গুম্না ভোট লেপচরুবা ঙমজবা পোৎ নত্তে। অদুবু, তৌবা কৈদাদি, ইলেক্সন হায়দোকপা নুমিৎতদি, লমদমসিগী কাহৌদবা কেন্দিদেটশিংসি লোয়না ৱাখল পোৎলুম পুগদৌরিবনি। মখোয়না মতম চঙনা, শাংনা লৈজবী থাদুনা তানশিঞ্জরকপা শেনফমশিং পূম্নমক্তু অরেম্বদা, মীৎনা কূপ্পদা লোয়না হৈদোকখিবা অমদি লংথোখিবগা চপ মান্নগদৌরিবনি। ফীভমসিদা কাহৌদবা কেন্দিদেটশিং মশানা লাইপু ওইহৌবা তাবনি। লমদমসিদা, অরেম্বা ওইনা লেম্না পাথোক্লকপা শেনফমশিংনা তাঞ্জা য়েংনবগীদমক ভোট লেপ্পগী চৎনবী অমসু খরদবুদি য়াওরমগনি। অদুম ওইনমক, ইশাগী শেল ইশাদগী চৎথোকখিবদা, মালেমসিদা নুংঙাইবা মী হায়বসি খক লৈরম্লোই।

লৈঙাক পায়নীংবা, মীংচৎ ফংনীংবা কাঙবুশিংগী মশীংনা লমদমসিদা শৌগ্রী য়ুংবগুম কুংশিল্লক্লিবসি, লমদমসিদা শেঞ্জাউ তানবা লায়, হায়বগী খুদমশিং ওইরমগনি। মতমসিগী শেঞ্জাউ পায়বা, শেঞ্জাউ তানবা কাঙবুশিংনা শেন্দান লম্বৈলশিংদা, শেঞ্জা-লম্বী থীরিবা এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিং ওক্নরুবনি। শেঞ্জাউ তানবা কাঙবুশিংনা অমুক্কা, মতমসিগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিংগী মওং-মতৌশিংদু উরুরগা, মখোয় মশা-মশামক এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইনীংলকপনি। ঐখোয়সু মখোয়গুম্না ওইবা করিগী য়ারোইদগে হায়বা ৱাখল্লোনসিদা, মশা মথন্তনা হংজবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা, মতমসিগী শেঞ্জাউ পায়বা কাঙবুশিংনা ভোট লেপ্পীংলকপনি। লায়রবা ঐখোয়তনা ইলেক্সন অমুক্তং থেংনবদা চঙলিবা শেনফমশিংসিগী মরমদা তাবদা, থবাক য়ৈনজবগী ৱানি, তৌইগুম্বসুং শেঞ্জাউ পায়বা মখোয়দদি ইলেক্সন অমুক লেপ্পগী শেনফমসিদি করিসু ওইনা মনাদা হাপ্পীরমদবসু য়াই। অদুনবু মখোয় হঞ্জিন-হঞ্জিনসু লেপ্পরিবনি। ফীভমশিংসি য়েংলুরগা মণিপুরদা, ইলেক্সন্দা শেল য়েনবগী থবকসি পাক তোক্লগনি হায়বা থাজদ্রি। অদুগা, ইলেক্সন্দা শেল লৌথোক-চাথোক্লবা হোৎনহৌবা কাঙবু অমদি ভোট থাদরমদাইদা কেন্দিদেট খুদিংমক্তগী শেলশিং শুনা ফংদ্রিমখৈ ভোট থাদৌ য়োদ্রিবা ভোটরশিংসিগীদি মরাল ইরৈ-লৈত্রবা জাৎলা? মরমদি, মখোয়না লৌরিবা শেলশিংসি মখোয়না থোয়দোক্লা হায়রুবা খক তৌদনা, কেন্দিদেটশিংসিনা মশানা খঙনা, মখোয়গী এজেন্টশিংগী খুত্থাংদা মীশিং শুনা পীরকখিবনি হায়রি। তান চাদ্রবদি, কনাগুম্বা ভোটরশিং শেল লৌদনা ভোট থাদজগে তৌরুবা ফাওবদা, কেন্দিদেটকী এজেন্টশিংদুনা, 'শেল পীহৌদনা থাদখিবা ভোটপু ঐখোয়গী ওইবা হৌনব্রা' হায়দুনা ভোট মশীং পাউ হায়বা য়াদ্রিসু ঙাঙনরি। ফীভমশিংসি লৈবনা হয়েং হায়দোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ইলেক্সনগী পাউসি হেক তাবগা, কাহৌদবা কেন্দিদেটশিং খরদি শোয়দনমক্কী ঈশিং চাইদুনা লাক্লগদৌবা অমদি ৱান্থনগদৌবা মাল্লি।

মথক্কী ৱাফমশিংসি মুন্না নীংশিংবীরগা মথংগী ইলেক্সনগীদমক মণিপুরদা, মীশিং লীক্লা, মীয়ামগী থৌগল ফংহনবদা মতিক চাগদবা, লাইরিক-লাইশু হৈরবা, ৱাখল লৈবা মী ঙাক্তা ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিং ওইনা চোঙথোকপীরকপা ওইসনু। থৌদৌসিমক থোক্লবদি মণিপুর মীয়ামগীদমক য়াইফবা শোয়দনা ওইগনি। অসুম তৌরবদি, অকা-কাদগীদমক ঐখোয় কোক থোয়দোক্লা শানদবসু য়ারনি। হন্দক্কী সিমদি মরাং-মরাংবা ভোট হায়বদু ওইজখ্রসনু। মথংদগীদি মণিপুরগী মীয়ামসু ভোটতা শেল লৌবগী থবকসি তোকথোক্লগা, ইলেক্সন হায়দোকপদা থোয়দোক্লা ৱান্থনবা অমদি মকোক ঈশিং থানবশিং য়াওদনবা ৱাখল লৈনা ভোট পীবা ঙম্বা মীওইশিং ঙাক্তা ওইরক্লসনু।

